# নোর্থ ইষ্ট ব্যুজিনেস সম্মিট এপ্রিল তরেৎতগী মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরি

এজেন্সি

অগরতালা, মার্চ ২৬ ঃ ইনিদয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমগী লৈরিবা রিছোর্সশিং অমদি ইকোনোমিক পোটেন্সিয়েলশিং উৎথোক্নবগীদমক্তা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা শীন্দুনা এপ্রিল ৭ তগী হৌনা মণিপুরদা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা ব্যুজিনেস সম্মিট অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা হায়রি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টনা মণিপুর গভর্নমেন্টকা খুৎশম্নরগা ইম্ফালদা এপ্রিল ৭ তগী ৯ ফাওবা ব্যুজিনেস সম্মিট অসি পাঙথোক্কদৌবনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসিয়েল ওইবা ষ্টেটমেন্ট অসিনা ফোঙদোরক্লি।

সম্মিট অসিদা উৎথোক্কদৌরিবা ষ্টেটশিং অদুদি অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর, মেঘালয়, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমদি ত্রিপুরানি। ট্রেদ এন্দ কর্ম্মস, মাইক্রো, স্মোল এন্দ এন্টরপ্রাইজেসশিং, হোর্টিকলচর, ফ্লোরিকলচর অমদি ফুদ প্রোসেসিংগী লমদা থবক তৌরিবা ষ্টেক হোল্ডর খুদিংমক সম্মিট অসিদা য়াওরনবা বার্ত্তন তৌখ্রে। টুরিজম মিনিষ্ট্রিগী মীহুৎশিং অমদি হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফটকী কাঙবুসু বার্ত্তন তৌখি।

সম্মিট অসিদা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ান নেসন্স (এসেয়ান) গী লৈবাক তরাগা লল্লোন ইতিক তৌনবা য়াবগী লম্বীশিং এক্ত ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অসিনা ফোঙদোরক্লি।

সম্মিট অসিনা ফুদ প্রোসেসিং, হোর্টিকলচর, টুরিজম, হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফটকী লমদা শেল থাদবা ঙমগদৌবা পোটেন্সিয়েল ইনভেষ্টরশিংগী প্লেট ফোর্ম অমসু পীগনি।

মসিগীসু মথক্তঃ ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রিশিংগী মীহুৎশিংগী মথক্তা ইন্দিয়ান চেম্বর ওফ কর্ম্মস য়াওনা প্রাইভেট সেক্টরগী মীহুৎশিংসু শরুক য়ারগনি হায়না থাজনরি।

## হোলি কুম্মৈ মনুংদা মী ২৪ হেন্না শিখ্রে

লক্ষনৌ, এজেন্সি ২৬ ঃ ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু উট্টর প্রদেশতা হোলি কুম্মৈ মনুংদা মী ২৪ হেন্না শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

মী ৫ অমনা লক্ষনৌদা গাড়ীগী লম্বীগী এক্সিদেন্টতা শিখি, ৯ অমনা বুল্লান সহরদা খূদোংথীবা থৌদোক্তা লৈখিদবনি অদুগা লেমহৌরিবশিং অদুনা য়ু থক্লগা গাড়ি থৌবদা শিখবনি।

পুলিসনা হায়, অয়াম্বা শিখিবশিং অসি চেকশিন্দনা অমদি য়ু থক্লগা গাড়ী থৌবদগী শিবনি। ময়াই থংবা অমদি নোংচূপ থংবা উট্টর প্রদেশতা গ্রুপশিংগী মরক্তা খৎনবদা মী খরসু শিখি।

য়ামদ্রবদা মী ২৫২ রোম হোলি মনুংদা লম্বীগী খূদোংথীবদা শোকখি। অয়াম্বনা মায়দা শোকপা, শরু–শয়াং তেকপা ওইখি হায়না এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।



য়াওশঙ ও য়াওশঙ পীকপগীসু পীক্লা চাওবগীসু চাওনা য়াওশঙ ও য়াওশঙ কনানবু থিংবা ঙম্লুনি য়াওশঙ

# অসামগী চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপা হায়বসিনা মরু ওইবা এজেন্দা ওইগনি ঃ পিএম

এজেন্সি

টিনসুকিয়া, মার্চ ২৬ ঃ অসামবু চাওখৎহন্নবা থবক পায়খৎপা হায়বসিনা মরু ওইবা এজেন্দা ওইগনি হায়না বিজেপিগী লুচিংবা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অসামগী টিনসুকিয়াদা পাঙথোকপা মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, চহী ৬০ কংগ্রেসনা সাশন পায়রকপদা অসামদা থক্নবা ঈশিং অমসুং মৈ মতিক চানা পীবা ঙম্লমদ্রে।

ষ্টেট অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা বিজেপিগী লুচিংবা সরবানন্দ সোনোৱালদা চহী মঙা খক্কী মতম পীবিয়ু। মতম অদুদা অসামগী চাওখৎ থৌরাং কদায় ফাওবা পায়খৎপগে হায়বদু য়েংবীয়ু হায়খি।

মোদিনা হায়, মহাক্কী থৌশিল অদু অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা শিংনবা নত্তে। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী ওইরিবা ফিভম লাইরবা অমসুং শেঞ্জা থুমজাবুদি শীংনরি। অসামগী খুঙ্গং ২০০০ রুরেল ইলেক্ত্রিফিকেসন স্কিমগী মখাদা মৈ ঙালহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

মাজুলি ইথৎতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা বিজেপিগী লুচিংবা অমসুং অসামগী চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা সরবানন্দ সোনোৱালনা হায়, অসামগীদমক চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎকনি। মদু অতম্না অতোপ্পা মীওইশিংগী মায়োক্তা চখবা নত্তে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ব্রক্ষপুত্র তুরেল ময়ায়দা লৈবা ইথৎ মাজুলিদা ফোঙদোকখিবদা কংগ্রেস সরকার অদুনা লমদম অদুদা অচুম্বা থবক পায়খৎত্রি। মাজুলি লৈবাক অসিগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাই ওইবা মফমনি।

বিজেপিনা অসামদা শক্তিঃ পায়রক্লবদি মাজুলি ইথৎতা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বশিং ফংহন্নবা হোৎনগনি। লমদম অদুগা অতোপ্পা মফমশিংগা শম্নহন্নবা থবক পায়খৎপদা নত্তনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু পায়খৎকনি হায়রি।

# হিমালয় চীংদোল ইভরেষ্টকী মফম কয়াদা লৈক্রক চৎলে

এজেন্সি

কাঠমন্দু, মার্চ ২৬ ঃ মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোল ওইরিবা হিমালয়গী মাউন্ট এভরেষ্টতা লৈক্রুক অমদি মখুল কয়া লৈরে হায়না চীংদোল অসি কাবগী লম্বী শেন্নরিবা স্পিসিয়েলিষ্ট টিম অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেপালদা মী ৯০০০ হেন্না শিখিবা য়ুহার হাবা অদুনা অসিগুম্বা হান্না অমুক্তা থোকখদ্রিবা ফিভম অসি ওইরকখিবনি হায়না এক্সপার্ট টিম অসিনা হায়রি।

এপ্রিল ২৫ দা থোকখবা য়ুহার হাবা অমদি মে থাদা থোকখিবা আফটরশোক ময়াম অদুনা এভরেষ্ট রিজনদা অকায়–অতোই খরা থোকহল্লে হায়না নেপাল মাউন্টেনিয়ারিং এসোসিয়েসনগী চীয়ারমেন অং শেরিং মোরপানা হায়খি।

আসফোল দোক্টোর ফিক্সিং লেদরশিং এন্দ রোপশিংদা হেন্না চেকশিন্নবা খঙহনখ্র হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্তি ঐখোয়না থৌরিশিং ফাজিন্নবা হান্না শীজিন্নরম্বা রোপ তরুক–তরেৎ অদুগী মথক্তা দোক্টর ১০ হেন্না শীজিন্নবা অমদি এল্লুমিনিয়ম লেদরশিং শীজিন্নবা দরকার ওইরগনি হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## ট্রাফিক্না দ্রাইভতা খোমগৎপা শেনফম লুপা লাক্ষ ৩ হেনখ্রে

রিমসতা চাউরাক্না মীওই ৫০ রোম লায়কন্নরি। মসিগী মনুংদা ফিভম খরা থিনা শোকপা মীওই ২০ লোম য়াওরি। ইম্ফালগী শিজ হোস্পিতালদা মীওই ২৩ লায়কন্নখি।

লমায় ১ গী মখা

## আই এম সিনা থৌশাদবনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমোৎ অকায়না পুমচায় চায়রে

লেপ্তনা লৌথোকপীদুনা মপুং ফানা তরু তাননবা মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

অমরোমদা প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না পাউনা বজার, থাঙ্গাল বজার, এম জি এভেন্যুগী শরুকশিং অসিনা লন্নাই এন জি ওশিংনা শেঙদোকপগী থবক তৌই অদুগা ইমা কৈথেল, বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদ অমসুং ফেমিলি ৱেলফেয়ারগী লম্বীগী শরুক অসিনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না শেঙদোকপগী থবক তৌবনি। পাউনা কৈথেল, থাঙ্গাল বজারগী অয়াম্বা মফমশিং দি নুমিৎ খুদিংগী ওইনা অমোৎ অকায় শেঙদোকপগী থবক তৌরি হায়রি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিগী ওইনা স্বাছ ভারত মিসন (অর্বান) গী মখাদা লৈবাক অসিগী সিটি ৭৩ খনগৎপদা ইম্ফালসু য়াওদুনা টোপ মুভরগী ট্রোফি ফংখিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৫ দা স্বছ সুর্ভেক্সন ২০১৬কী ফল লাওথোকখিবা অদুদা মনা অসি মণিপুর হাউসিং এন্দ অর্বান ভিবলপমেন্টকী দাইরেক্টর এন গীটকুমার, আই এম সিগী চেয়ারপার্সন এ নিমাই শর্ম্মা অমসুং আই এম সিগী ইক্সিক্যুটিব ওফিসার এন জি উত্তমনা মনা অসি য়ুনিয়না অর্বান ভিবলপমেন্ট এন্দ পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স মিনিষ্টর এম ভেনকয়া নাইদুদগী লৌখবনি।

## চহী নৌরিবা কয়ানা নিয়ম চুমদবা মওংদা গাড়ী থৌরকপদা পুলিসনা লম্বীদা ফমহন্দুনা থমখ্রে

লম্বীদা গাড়ী য়াংনা থৌবা অসিনা মরম ওইদুনা এক্সিদেন্ট থোকহনবা য়াই। গ্রুপ অমগা অমগী মরক্তা দিষ্টেন্স লৈনদ্রবদি মখোয় মশেলগী মরক্তা এক্সিদেন্ট থোকপা য়াবগী খুদোংথীবা লৈগনি। লোয়ননা মখোয়শিংসি গাড়ী থৌবা য়ারবা মীওইরা হায়বদুসু থিদোকপনি হায়রি।

নুপামচাশিং অদু হেলমেট অমত্তা উপ্তনা মোটোর সাইকল থৌরকপনি, লোয়ননা গাড়ীগী চে–চাং শুরমদবা কয়াসু য়াওরমখি। নিয়ম চুমদনা গাড়ী থৌরকপা মীওই কয়াশিং মফমদুদা টিআর ককহনখি হায়রি।

## বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লুচিংবশিংনা অসামদা ভোট খোমখ্রে

লক্ষিপুরদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনা টি ঐচ চাউব অমসুং মহাক্কী কাঙবুবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা মফম অদুদা মীতৈ এম এল এ অমা শোয়দনা পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

মীহুৎ কাঙবু অসিনা সিঙ্গরবোন্দ, বাসকান্দি বজার য়াওনা মফম কয়াদা এল থোইবগীদমক মীখলগী ভোট খোমখি।

### মীওই ২ ফাখ্রে

রৈখাখু রংলা (৫৫) অপোকপা রেংসোফেং রংলা অমদি থাংহৈখুপ রংলা (৩৫) অপোকপা নৈখাসন রংলা কৌই হায়রি। থৌদোক অদুগা মরি লৈননা তমেংলোং পি এসনা কেস অমা রেজিষ্ট্রার তৌবগা লোয়ননা মখোয়বু কন্নবগীদমক ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওপরেসন চথখ্রে হায়রি।


